# শা-ষণশিংগী মকোন লূ-নান্না থম্বীবা

ডা: সরাংথেম জেস্মারাণী

*শা-ষণশিংসি* মশা-মউ ফনা লৈহনগে হায়রবদি মখোয়না লৈগদৌরিবা মকোন্দু লূ নান্না থম্বীবা য়াম্না মথৌ তাই। মকোন মোৎলগদি লায়না কয়া শন্দোরকপদা নত্তনা অচৌবা অমাঙবা অমসু ওইহল্লি। মকোন লূ নান্না থম্লগদি লায়না চেলহন্দনা পোথোক মরাং কায়না পুথোকপা ঙম্বতা নত্তনা শেন্দোং য়াম্না লৈহল্লি।

*মকোন লূ নান্না থম্নবা পায়খৎপা য়াবা থবক থৌরমশিংদি ঃ*

- মকোন নিংথিনা শেংদোকপীবা।
- চপ চানা দ্রেনেজ থম্বীবা।
- মকোন্দা নিংথিনা মৈ থানবীবা।
- নুংশিৎ নুংশা মরাং কায়না ফংহনবীবা।
- অমগা অমগা লায়না লৌনহন্দনবা হোৎনবীবা।

*মকোন নিংথিনা শেংদোকপীবা ঃ*

নিংথমথা মতমদা মকোন মনুংদা শা-ষণশিংনা লুম্না লৈনবগীদমক চরূ ময়াম অমা শীজিন্নে। হায়রিবা চরূ ময়ামশিংসি নুমিৎ খুদিংগী নুংশাদা ফৌদোকপীরগা কংলবা তুংদা অমুক শীজিন্নে। করিগুম্বদা খরা হেন্না মোৎশিনবা নৎত্রগা য়াম্না চোৎখিবা তারগদি নৎত্রগা কংবা ঙমদ্রবদি মফম চানা হুন্দোক্লগা মৈ থাদোকপীগনি। মকোন মনুংদা থল্লিবা ঈশিং পাত্র খুদিংমক নুংতিগী অফবা ঈশিংনা চামথোকপীরবা তুংদা অফবা অরূবা ঈশিং অমুক থক্লবা হাপ্পীগনি। মকোন মনুংদা শিৎতোক শেংদোক্লবা অমোৎ অকায় খুদিংমক অমদি অকোয়বদা লৈরিবা ফত্ত হৌদি খুদিংমক মৈ থাদোকপীগনি। করিগুম্বা মকোন্দু লৈবাক ওইবা তারগদি হপ্তা খুদিংগী মরোন অমমম লৌথোক্লগা অমুক অনৌবা মরোল অমা হাপ্পীগনি। অতোপ্পা অমনা করিগুম্বা মকোনগী লৈমায়দু উ নৎত্রগা ৱানা অষ্টর চনবা ওইরগদি নুমিৎ খুদিংগী ঈশিংনা চামথোকপীগনি।



*ঈরম নালা নিংথিনা পীবা ঃ*

মকোন শাবা মতমদা নিংথিনা ঈরম নালা চন্দুনা মকোন মনুংদা স্লোপ নাইহন্দুনা দ্রেন লোমদা ফত্ত হৌদি পূম্নমক পুথোকপীগনি। মকোন মনুংদগী মথি ময়ুং অমদি মচিঞ্জাক অরেম অপা খুদিংমক নোংমদা অনীরক শেংদোকপীরগা নালা রোমদা নিংথিনা পুথোকপীরগা মকোন মনাক্তা কোম তৌবীদুনা চেন্থহনবীগনি। কোমদুসু হয়িং মচা কোক্তনবা কুপশিনবীরগা থম্বীগনি।

*মকোন্দা নিংথিনা মৈ থানবীবা ঃ*

মকোন মনুংদা নিংথিনা মৈ ফংহন্নবা হোৎনবীগনি। মকোনদা নুংশা মঙাল নিংথিনা ফংহল্লগদি লায়না থোরকপা য়াবা মহিক ময়াম অমা নুংশা মঙালনা হাৎপা ঙমহল্লি অমদি মকোনদু লৈনিল কাবগী চাং য়াম্না হন্থহল্লি। নুমিদাংগী মতমদসু শা-ষণ পূম্নমক নিংথিনা লৈনবা মৈ থানবীগনি।

*মকোন মনুংদা নুংশিৎ নুংশা মরাং কায়না ফংহনবা ঃ*

মকোন মনুংদা নুংশিৎ নুংশা মরাং কায়না লৈরগদি মনম মহা চেনবগী চাং হন্থে। নমথিবা মনম খুদিংমক অশেংবা নুংশিৎনা হুমদোকখিদুনা লায়না শন্দোরকপগী চাং হন্থহল্লি।

*অনাবা লৌনহন্দনবা হোৎনবা ঃ*

অনাবা লৌনহন্দনবা ঐখোয়না দিসইনফেক্টেন্ট ময়াম অমা শীজিন্নবা য়াই। মসিনা লায়না শন্দোরকপা য়াবা বেক্টেরিয়া অমদি পেরাসাইট ময়াম অমা হাৎপা ঙমহল্লি।

*দিসইনফেক্টেন্ট মখল অহুম থোকপা য়াই ঃ*

*নেচরেল দিসইনফেক্টেন্ট ঃ*

নেচরেল দিসইনফেক্টেন্ট হায়বসি নুমিৎনি। মসি খ্বাইদগী পাঙ্গল লৈবা অমনি। মসিদা য়াম্না ইফিসিএন্সি ওইহল্লিবসিনা নুমিৎতা য়াওরিবা **ultra violet wavelength 2400-2800oA** য়াওবগীনি।

*ফিজিকেল ঃ*

দিসইনফেক্টেন্ট তৌবদা মনিলসিসু খ্বাইদগী ফবা অমনি। অচোৎপা মনিল ওইরগদি খ্বাইদগী হেন্না ফৈ। মসিদসু নত্তনা নুংশিৎ অশাবা, ঈশিং অশাবা, মৈ অমদি মনিলসিসু দিসইনফেক্টেন্ট ওইনা শীজিন্নবা য়াই। নুংশিৎ অশাবসিসু দিসইনফেক্টেন্ট ওইনা শীজিন্নবা য়াই অদুবু মসি মমল য়াম্না ৱাংই। শা-ঙাশিং লোইবদা শীজিন্নরিবা পাত্র খুদিংমক ঈশিং অশাবদা নৎত্রগা অশৌবদা মিনিট ৫ লুপ্লগা থম্বা মতমদা মহিক অয়াম্বা শি। মনিল দিসইনফেক্টেন্ট তৌবদা মৈ ওইনা শীজিন্নরগদি মফমদুদা লৈরল্লিবা বেক্টেরিয়া অমদি স্পোর ময়াম হাৎপা ঙমই।

*কেমিকেল দিসইনফেক্টেন্ট*

দিসইনফেক্টেন্ট তৌবদা কেমিকেলশিং খুদম ওইনা হায়রবদা এসিদ, অলকালি, পোটাসিয়ম পর্মেগনেট, হায়দ্রোজেন পরওক্সাইদ, অলকোহোল, ফিনাইল অসিনচিংবা ময়াম অসিনা মহিক্তা য়াওরিবা প্রোটিনশিংগা রিএক্ট তৌরগা মপাঙ্গল হন্থহল্লি।

*মহিক হাৎনবগীদমক মখা পোল্লিবসি ঃ*

- শীজিন্নগদৌরিবা দিসইনফেক্টেন্টকী কন্সেত্রেসন।



- কেমিকেল শীজিন্নরগা মতম কয়া অমুক থম্বীগদবা।
- শীজিন্নবগী মওং।
- কেমিকেল সোলুসন শেন্নগা শীজিন্নবগী মতম।
- কেমিকেল শীজিন্নদ্রিঙৈদা নিংথিনা মকোন্দু চামথোকহৌদ্রগদি কান্নবা ইফং ফংদে।

*মকোন শেংদোকপসিসু মখল অনী থোক্লা শেংদোকপা য়াই ঃ*

- লায়না লাক্ত্রিঙৈদা শেংদোকপা অমা।
- লায়না লাক্লবা তুংদা শেংদোকপা অমা।

লায়না লাক্ত্রিঙৈদা শেংদোকপা তারগদি মকোন মনুংদা লৈরিবা পাত্র খুদিংমক লৌথোক্লগা মপান্দা থম্বীগনি। পাত্র খুদিংমক দিসইনফেক্টেন্টতা মতম খরা থম্লবা তুংদা ঈশিংদা চামথোকপীগনি। মকোন মনুংদুদসু ইহান হান্না ঈশিংনা হান্না চামথোক্লবা তুংদা দিসইনফেক্টেন্ট অমুক হাপ্লগা শেংদোকপীরবা তুংদা মতম খরা লৈরগা অমুক ঈশিংনা চামথোকপীগনি।

করিগুম্বা লায়না মায়োক্লবা তারগদি মকোন মনুংদা লৈরিবা চরূ নৎত্রগা অতোপ্পা পোৎলম খুদিংমক মৈ থাদোকপীবা নৎত্রগা ফুম্বীবনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ। ফক্লাং অমদি লৈমায়সু ৱাশিং শোদা শীজিন্নদুনা শেংদোকপীগনি। অনৌবা চরূ অমদি ৱাই হাপত্রিঙৈদা মকোন মনুংদা কংনা হান্না থম্বীগনি। মকোন চঙফম মমাঙদা দিসইনফেক্টেন্ট য়াওরবা মহি থম্বীদুনা চঙবা মতমদা নেৎলগা চঙলগদি মহিক চঙবগী চাং হন্থগনি।

অসুম্না লায়না তীলনা চঙহন্দনা মকোন নিংথিনা লূ নান্না থম্লগদি লায়না লাকপগী চাং য়াম্না নেম্বদা নত্তনা হেন্না শাহৌ ফদুনা অমদি হেন্না পোথোক পুথোক্তুনা শেন্দোং লৈবা ঙমহল্লি।

# মীওইবা ঐখোয় অমুক্তং খন্থমিন্নসি

পুখ্রম্বম রোবিন্দ্রো

**"*It* is better to light one candle than to curse the Darkness"**

ঙসিনা মণিপুর হায়না মীংথোনবা অদুগা হান্নগীনা মৈত্রবাক অসি ঈশিংনা থুমদুনা লৈরম্মী। ঈশিংশিং অসি চিথখিদুনা কংলা হায়বা মফম অসিনা ইহান হান্না কংখি। মফম অসিদা গুরু শিদবনা পাখংবদা মফম অসিদা লৈরগা লৈবাক ঙাকউ হায়না য়াথং পীখি। পাখংবনা ইহান হান্না ফম্বাল তোংদুনা লৈবাক ঙাকখি হায়দুনা কংলা হায়না থোনখি।

নীংতম্বা লৈবাক অমা ওইদুনা নিংথৌ পান্দুনা ৩৩ এ দিদগী লৈরক্লবা মণিপুর ঙসিদি ইন্দিয়াদা তিল্লে। কনাগুম্বা খরনা হায়বা য়াই চীংলোন মাপলনা কোয়শিল্লবা মণিপুর অসিনা মীৎ পাংবা ঙল্লিবা অসি ইন্দিয়াদা তিল্লুবদগীনি। চাওখৎপা হায়বসিদি মীগী ৱাখল্লোনদা, লাইনীং-লাইশোন্দা নপ্তুনা হিংলগা, ফিরোল খরা ফজবা শেৎলগা, জীপ, কার, ফুরা-দলান, মীৎতা অরং-অরাক উরগা চাওখৎপা কৌগদবা নত্তে। চাওখৎপা হায়বসি মখল অনী থোক্লা য়েংবা য়াই। শেন্মীৎলোনগী ওইবা চাওখৎপা নৎত্রগা নাটকী ওইবা চাওখৎপা, মণিপুর অসি ৱাত্ত-পাদবা লমদম অমা ওইরকই। শেন্মীৎলোনগী চাওখৎপদা নাটকী চাওখৎপা য়াওদে।

নাটকী ওইবা চাওখৎকে হায়রবদি ইশানা ইশাগী হৌরকফম-শাৎফম মশক মুন্না খঙবা তাই। মশক ফজবা মীগী মমাদা ইমা কৌগে খল্লিবা নহাক চুন্নিবরা? হৌজিক মতমগী নুপীশিংনা নুপা-নুপী রাইট মান্নে হায়দুনা মখোয়গী অপাম্বা অনীংবা অথিংবা লৈতনা পাঙথোক্লবা হোৎনরি।

নীংশিংবা য়াই, ফংফম থোকপা রাইট মান্ননা ফংলবসু নুপানা তৌবা খুদিং নুপীসু তৌগদবনি হায়বা লৈতে। ঐখোয়গী চীংমী তম্মী অমত্তা ওইরবা মতমদতা ঙসি মণিপুরীশিংনা পাল্লিবা পান্দমশিং ফংবা ঙমগনি। করিগী মণিপুরী ঐখোয়না লিংজেল মান্নবা ঙমদ্রিবনো? মীতোপকী চাক চারে, মীগী লোল ঙাঙলে, মীতোপ ওইরে, মশাদা মশাগী ওইবা য়াওদ্রবদা করিগী ওইদবা ঙাঙলোই, করম্না লিংজেল মান্নগনি, কমদৌনা থৌনা লৈগনি। মণিপুরদা ওর্গেনাইজেন কয়া লীংখৎলক্লি, লুচিংবগী মশীংসু হেনগৎলক্লি, লুচিংবা অসিগী তোঙান তোঙানবা মত কয়াসু ফোঙদোক্লরক্লি। লুচিংবা অমনা য়ানীংলবসু লুচিংবা অমনা য়ানীংদবসু থোরক্তুবসু নত্তে। মরৈবাক নুংশিবা মীয়ামগী খল্লিবা মহাক অদুদি শিবা কিদনা মীয়ামগী মাঙজিল থাগনি, অমত্তা ওইবগী শক্তম ঙাক্লা চৎকনি।

**- In the words of Mother "if you worry too much about ourself we wouldn't have time for others."**

মণিপুরগী অথৌবশিংনা ইমাগীদমক মথৱায় ফাওবা থাদোকখি। ঐখোয়না কনাবু কিরুগনি। লমজাও খোন্না চাকপা মৈদা ঈশিং খুজোক অমনদি কৈদৌরুনি। কুমজা ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫দা মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিনদ্রিঙৈ মতমদা মণিপুরীশিং ফি শেৎলমদবা, চাক চারমদবা ঙসিদি অশেংবা মণিপুরী থিবদা অৱাবা অমা ওইরক্লে। মীতোপশিংনা ঙম্না পাল্লিবা লমদমশিংদি :-

(১) কাংপোকপী (২) কংলাতোংবী (৩) শগোলমাং (৪) শেরৌ (৫) জিরিবাম অমদি (৬) চীংমৈরোংদনি। খুদুম চনশিল্লক্লিবা লমদমশিংদি (১) থঙ্গাল কৈথেল (২) নাগামপাল (৩) ৱাহেংবম লৈকায় (৪) মন্ত্রি পুখ্রি অমদি (৫) উরিপোক্তনি।

মণিপুরী মচাশিংদি মী অমনা ফরকপা উবদা মীয়াম পূম্নমক্কী মায়নি হায়বা খন্নদে, ফরক্লিবা মীওই অদু মীয়াম চঙদুনা চিংথনবা হোৎনৈ। ফত্তরে হায়রিবা ময়াই কাবা চিঞ্জাক য়ু, গঞ্জা, কানি, নম্বর ফোর শীজিন্নদুনা মশাগী পুন্সিশিংবু তেনশিন্নবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি। মীতোপশিংদা লম য়োন্থোকপা য়াদে হায়রবসু মণিপুরীশিংদি শেল য়াম্না পীবা ঙম্বা মীওইদা হেক্তা পীথোকই, চীংমীশিংদি অথিংবশিং অদু ঙাক্লা চৎলি।

তুংগী মীরোলশিংগীদমক ঐখোয় হোৎনবা তাই। ঙসি ঐখোয়না শারবা নুংশাদা উরুম লাংলিবা অসি মমাঙগী মীরোলশিংনা থম্বীরম্বনি। করিগুম্বা ঐখোয়না খুদোংথীবা অমা উবদা কৈদৌনুংদা মায় লৈদুনা খক চেল্লোইদবনি।

**- "Smooth Sea's do not make a skillful sailors"**

**- African Proverb**

তাইবঙপান অসি ঐগী নত্তে, নঙগীসু নত্তে হান্ননা ঐখোয় খুন্দারম্মী হায়দুনা ঐখোয়না মপূ শাবনি। মসিদগী থোরকপনি লাল অমগা অমগী মরক্তা। ঐখোয় পূন্না হিংমিন্নসি হায়রবদি ৱাখল তানবা তঙাইফদে। মীগী অৱাবা মশক খঙউ, নঙগী অৱাবদসু মতেং পাংলক্কনি। নোংমদি ঐখোয় ফজরবা মালেম থাদোক্তুনা চৎখিগনি, ঐখোয়দি মীশিং য়ামজদবা কাঙলূপনি।

মীগী মরোলবু তাখিদে
ইরোলনা হেল্লি খঞ্জদে
ইরোলতবু ঙাঙলসি হায়বনি
ইরোল ঙাঙববু মাঙগদবা
ইমালোল ঙাঙবদা চৈরাক ফংফম থোকপরা
খন্দুনা য়েংবীয়ু অঙম্বা
চৈবীগনু অঙম্বা ফুবিগনু অথৌবা

\- নাওরিয়া ফুলো (অথোয়বা)

ঐখোয় ইশানা লাল থেংনবা তাই, ঐনা ঙম্বা থবক্তি ইশানা হোৎনবা তাই, মণিপুরীগী অমদি মণিপুরগী নাট কন্দবা য়াদে হায়দুনা হোৎনগদবনি। করিগী ঐখোয় অমনা অমবু মীনুংশি য়াওদনা ওৎপী নৈবিগনি। ফনা ফজবা মফমদা চৎলবসু ৱাখলবু ঈং-তপ্পা লৈত্রবা, পেন্থোকপা হৈত্রবা খুদিংমক অরেম্বনি।

মালেমদা মনীং মখা তম্লবা লৈবাক ১৬৬ মুক লৈ। অচৌবা লৈবাক ১৯গী অমদি অপিকপা কয়ানা য়ু এন ওগী ষ্টেট ওইদুনা লৈ। খুদম ওইনা হায়রবদা ইন্দিয়াগী ১২শুবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইবিরম্বা পি ভি নরসিমহা রাওনা নীংতম্বগী ফিরাল কুমজা ১৯৬৮দা চিংখৎখি। **Mauritius** শুপ্নতগী স্কৱার কিলোমিটর ২০৪০ খক্তা চাউবা লৈবাকনি। মণিপুরদগী হেন্না পিক্লবা লৈবাক **Nauru, Singapur** অমদি **Cyprus** কয়া অমনা মনীং মখা তমদুনা লৈরি।

মীগী মরমদা য়াম্না খঙবা, য়াম্না হৈবা অসিনা ইশাগী ওইনদি চাওখৎকনি অদুগা নাটকী ওইবদি চাওখৎপা লৈরোই। নাট চাওখৎপা হায়বসি ঐখোয় কদায়দগীনো হংনরুবা লৈতনা মশক তাকপগুম্বনি। অফবা খুন্নাই অমা ইনৌ নৌনা শেমগে হায়রবদি ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিংদা ওইহনবা তাই। মণিপুরগী নহারোলশিং হৌজিক লাইবক থীবদি নোংমাইজিং, নিংথৌকাবা, ইংলিস ঙাঙবনা লেম্নরে, অহৈবা শক্লরে। ঙসি ঐখোয় করম্বা ফীভমদা লৈরি হায়বা ফাওবা খঙল ফাওবা তুমিন্না লৈবা হায়বসি পাংদবা অমগী মতৌনি। ইন্দিয়াদা তিল্লুরগা মাঙজবা খরা হায়রবদি নখোয়গী অপাম্বা মতুং ইন্না চৎপা নাটকী ওইবা চাওখৎপা থিন্থবা দিভাইদ এন্দ রুল, অফস্পা ১৯৫৮ অমদি নুংশিরবী কবো ভেল্লি মীগী ওইখ্রিবা অসিনি। ঐখোয় ঐখোয়গী ফুরুপকীদমক খন্দবা য়াদে। মীংচৎকী খল্লগা খক তৌরোইদবনি, অফবা থবক, ফত্তবা থবক হায়বসিদি ঐনা তৌরুবা থবক্কী মহয়নি। মীনা করি ঙাঙনখিগদগে হায়দুনা অফবা থবক অদু পাঙথোকপা ঙমদ্রবদি মীখা পোনবগা মান্নে।

**- The unhappiest and unsuccessful people in this world, are those who care the most about what other people think.**

**- C. JoyBell C**

# কংলা অশেংবা লাইফমলেন ওইনা থম্বীয়ু

মঙাংচা কৈসাম ইবোমচা

*লাঈনিংথৌ* সিতপা সালাঈলেননা মপালী কোনসেন তুলৈসেংপতা চকপালোনকী লৈঙমলকপা ৱাকোকলোন অমতি ৱাহৌলোন, ঈনুঙলোন, খুনুঙলোন অসি খৈপিককী ওঈঙমলকপা কয়াপু খাকপা লৈতনা তাকপীরে। অসুম তৌনা মপালী ঈপুঙঙো কোনসেন তুলৈসেংপা সানামহীতা তলঙ মালঙ লাঈপাউ মতুঙঈননা তাকপিখিপা মতুঙ ঈননা হিকতোকপা লৈতনা লাঈকীতি মমৈ তাঈপঙপানপা মীকীতি মকোক মসানৌ ঈপুঙঙো কোনচীন তুকথপানা পাখঙপা মিংথোন ফংখিপা মনাউতা তাকপিলকে নিংতুনা ঈপুংঙলোঈ অপকপা মথননাতা লৈপা য়াততুনা হাঈনা হুমলকপতকী হুং হুং কী ঈৱাই ঈলিননা নীকসিললকতুনা ফমচিললকপাতা, থেংনলুপা অতুপু লাঈকী মসানি হাঈতুনা লাঈসা (লৈসা) হায়না কোখিপা অতুপু লাঈকী মসানি হাঈতুনা লাঈসা (লৈসা) হাঈনা কৌখিপা অতুপু ঈনুংলোনকী ঈপুঙ লোইননা অপকপনা ফুকখত চীংখত থাংখৎলকপতা, লোঈনলকপা কামপী, লাঈচা, মালঙপা, হাঈনা কৌখিপা লাঈপুংথৌ ৭ কী লাঈমিং থোকতুনা ঈমাঈ ফাউখিপা ঈমাঈ অতুপু লাঈকী খুৎতমনি লাঈ মাললে হাঈতুনা মালেম হাঈনা কৌখিপা, তাঈপাঙপালপা অমা ওঈরকনবা ঈপুংলোঈকী নুংপুঙ ৱাখনতকী থোকখিপা পুম্নমকপু তাকপীলকে খনদুনা অমতি থককা খাকা তাঈনপা অসিকী মলকতা লাঈকী মহৈপু তাঈপাঙ মী ওঈনা পালহললে, অতুকী মলমনা তাঈনাপাতা পাললে হাঈতুনা তাঈপঙপাল কৌখিপা অসি খৈপীককী মরমবু মপুগী মিংলেন হা হুং হৈ হৈ হিং য়াঈপিলেন মিংখৈপু ঈপু অথৌপা পাখঙপানা ফংচৈয়ে। লাঈনিংথৌতি পাংকনপানা হুৎতংঙা সাঈতোন তৌদুনা চীঙপু হুৎতোকতুনা চীংনুঙহুত হায়না কৌখিপা মফম অতুতা লাঈচা ঈসিংপু চিথোকখিপানা কংপা হাললে হাঈতুনা ‘কংলা থেনপুঙ’ হাঈনা কৌখলে, কংলা থেনপুঙ মফমতা লাঈয়ামসিংনা লেপনপা মফমতা কায়াৎলোন য়েংতুনা ঈম সালে। মফম অতুপু ‘কংলা’ ঈমফম কৌখলে। কংলা ঈমফম মফমতা লাঈয়ামসিংনা লৈপা মফমনে হায়তুনা লাঈফম হাঈনা কৌখলে। লাইফম কৌপা মফমনা লৈপা লৈপাকপু ‘কংলৈপাক’ হাঈনা কৌখলে। ‘কংলৈপাক’ কৌপা মফমতা লাইনিংথৌ সিতপা সালাঈলেলকী হুকসাঙ কায়াতকী নুংপুঙ ৱাখননা তাদুনা থোকখিপা লাঈলুপ ৭ মাপু ঈপু অথৌপা পাখংপানা পাননতুনা (১) নুলা ঈপেমমা লাঈকোক হুঈমুলৈ পুকসিখোমপীনা মঙাঙ পোকখি (২) নুলা ঈপেমমা হুঈমুলৈমানা লুৱাঙ পোকখিপা (৩) নুলা ঈপেমমা লোঈখুমপী থৱাঈ থোংঙাঈলেলপীনা খুমন পোকখিপা (৪) নুলা ইপেমমা লাঈয়েক পীথেত লৈমানা অঙোমপা অঙৌপালপা পোকখিপা (৫) নুলা ঈপেমমা লৈমা উলুম খাউচাউতোনপীনা মোঈলাং পোকখিপা (৬) নুলা ঈপেমমা লৈথম তালি লৈমানা খা-ঙানপা পোকখি (৭) নুলা ঈপেমমা নোংহাঈনু লিলি লৈমানা সালাই লৈসাংথেম পোকখি। লাঈলুপ ৭ মকনা পোকপা মচা নুপা ৭ তরেৎমকপু সালাঈলুপ কৌলকে। মখোঈ ৭ মকপু ঈপানা সালাঈ হায়না মীংথোল পিপানে ঈপানা। মতৌ অসুম তৌনা সিতাপা মপুকী হুকসাঙ ফিলেপ ওইলপা কংলা পাফললী ১০৮ পুখুততোললী, কাপসিঙ, খুতুপ লমসিঙ, থানা মপালী ৭ মকতা কংলাকী লাঈফম ১০৮ মাকী মতীক ময়াঈ পুমনমক, পাফললী কায়াৎ ফিলেপপু তাকপীখিয়ে। অসুম তৌনা মপালী ৭ কৌসিনতুনা হাঈলকয়ে। চাকপালোনকী মতুং ঈননা মঙাঙলোন, লুৱাঙলোন, খুমনলোন, অঙোমলোন, মোঈলাংলোন, খা-ঙানপালোন, সালাঈ লৈসাংথেমলোন (লৈঙাকলোন) অসুম পাললো তাকপীখি। য়ুমসাং সাংনা সাদুনা মঙাং, লুৱাং, খুমন, আঙোম, মোইলাং, খা-ঙানপা, সালাঈ-লৈসাংথেমপু মথং মনাও নাঈনা লৈহনখিয়ে। মতৌ অসুম তৌতুনা মীকীতি পুকোক লাঈকীতি মমৈ ঈপু অথৌপা পাখংপাতকী হৌনা নিংথৌরোল কয়ানা পালকখিপা ‘কংলা লাঈফমলেননি’। মরম অসি লৈবনা সেংলবা কংলা লাঈফমলেল মফম অসিদা লাঈনিংথৌ সানামহী, ইমা লৈমলেল সিতপী, ঈপুথৌ পাখংপা, সানামহী লাঈনিংগী ঈৱাই ঈসোল, য়েনহৌমী (চীংমী-তম্মী) গী ওইবা লাঈ-থৌ, থৌথোক কুম্মৈ, কুম্মৈ ফিয়োংনচিংবা নত্তনা মীতোপ মীয়ানচাগী হরাও কুম্মৈ পাঙথোকফদে, নামুংগনি অমসুং তৌফদে। কংলৈপাক (মণিপুর) লৈঙাক্কী নোংথোন পুরেল (চীফ মিনিষ্টর), নোংথোনশিং (মিনিষ্টরশিং), কংলা ফমবৈ (এম এল এ) শিং, তোঙান তোঙানবা লৈঙাক লোইশঙগী মকোকশিংদা তিনবানগনি হায়বসি লায়থুঙ লায়না পক্কনি অৱা-অনা লাক্কনি।

মখা তারকপদা হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাকনা কংলৈপাক (মণিপুর) দা রাস-লীলাগী ওইবা মফম অমা শেমগৎতবা য়াদে হায়রগদি ইনিংথৌ ভাগ্যচন্দ্রগী মতমদা ইহান হান্না রাস লীলা শান্নহনখিবা, রাস মন্দলগী মফম অমনি হায়না খঙনরিবা লাংথবানচীংথক্কী কোনুং অমনবগীদা শেম-শাফম থোকই হায়না লৌজে। নত্রগা কংলৈপাক (মণিপুর)গী ইকোন কোনবা নিংথৌ মহারাজ বোধচন্দ্রনা পাল্লম্বা কোনুং, গোবিন্দগী লাইশঙসু লৈবা মফম অসিদা রাস-লীলাগী মফম অমা ওইনা শেমগৎ শাগৎপনা চানগনি। হৌজিক হৌজিক হীন্দু মীতৈশিংগী লাইনীংফমসু ওইরিবা মফম অসিদসু রাস-লীলাগী ওইবা মফম অমা ওইনা শেমগৎপা মরম চাই।

ইকায়খুম্নজরিবা মঙাং সালাইগী নোংথোম্বম বীরেন - নোংথোন পুরেল (চীফ মিনিষ্টর) অমসুং মঙাং সালাই ওইবা লাংপোকলাকপম জয়ন্তকুমার ঈনাৎকী নোংথোন (আর্ট এন্দ কলচরেল মিনিষ্টর)গী মফমদা সানামহী লাঈনিংলোঈশিংগী মহুৎ শিন্দুনা হায়জরি মদুদি কংলাদি অশেংবা মীতৈ খুন্নাইগী লাইফমলেন অমা ওইনা থম্বীবগা লোয়ননা লাইফম ১০৮, অশেংবা খোঙলম তরেৎ, অরুবা পুঙ (লৈপুঙ), ঈপুথৌ অমসুং লাইপুঙথৌ তরেৎকী শাফোংফম, লাইফমশিংগী মমিংশিংগী মমিং ইংরাজি অমসুং মীতৈ ময়েক্তা ইদুনা থম্বীয়ু হায়না নোল্লুকনা হায়জরি।

*পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।*